# মে ১২ দা কর্নাটকা এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লগনি

## ‘মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌখ্রবসু কাভেরি বোর্দ শেম্বদা অপনবা ওইরোই’



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৭ (এজেন্সি):
মে ১২ দা কর্নাটকা এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লগা মে ১৫ দা ভোট মশিং থীগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা ফোঙদোকখ্রে। চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর ও পি রাৱটনা হায়খি, এপ্রিল ১৭ তা ইলেক্সনগী নোটিফিকেসন থোকপগা লোয়নননা মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা মতম এপ্রিল ২৪ নি। এপ্রিল ২৫ দা স্ক্রুটিনি তৌরগা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ এপ্রিল ২৭ নি। মে ১২ দা মীখল পাঙথোক্লগা মে ১৫ দা ভোট মশিং থীবা হৌগনি।

কর্নাটকাদা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌরে। ষ্টেট অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৭২ নৎত্রগা ভোটর ক্রোর ৪.৯৬ না হন্দক্কী মীখল অসিদা ভোট থাদবা য়াগনি হায়নসু চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখি।

মীখলদা শীজিন্নগদবা ভি ভি পেট মেছিন অমসুং ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শিং হোজিন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে। মমাঙ চহীদগী মীখলদা ভি ভি পেট মেছিন শীজিন্নবা হৌখ্রবনি।

মমাঙগী মীখলদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক খরা থোকখিবা মরম্না হন্দক্কী মতাং অসিদা লো এন্দ ওর্দর মপূং ফানা ঙাকপা ঙম্নবগীদমক ষ্টেটকী মফম পূম্নমক্তা সী আর পি এফকী পর্সনেলশিং শীজিন্নগনি হায়নসু চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, কর্নাটকাগী ওইনা পোলিটিকেল পার্টি অমনা লুপা লাখ ২৮ মীখলদা শীজিন্নবা য়াগনি। হায়রিবা শেনফম অসি পোল্লিং বুথকী এক্সপেন্দিচর অমদি মীরেপশিংগী এক্সপেন্দিচরসু য়াওরবনি। ইলেক্সন কম্মিসননা মীখলগী মতম লাউথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি সেলগী মকোক অমিত মালবিয়ানা মে ১২ দা মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

ইলেক্সন কম্মিসননা মীখলগী মতম ওফিসল ওইনা লাউথোক্ত্রিঙৈদা বি জে পিনা মাঙজৌননা মতম লাউথোকখিবগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি। হীরম অসিগী মতাংদা রাৱটনা হায়খি, মীখলগী থৌরাং লৌখৎপদা পাউ লীক ওইখিবা য়াওরম্বা য়াই। ইলেক্সন কম্মিসননা হীরম অসিগা মরী লৈননা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি।

কর্নাটকাগী মীখল নুমিৎ ৪৫ নি রোমদং ঙাইশিল্লকপগা লোয়নননা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখলগী থৌরাং লৌখৎপা হৌনখ্রে। সিদারামায়ানা লূচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা অনীরকশুবা টর্মগী লৈঙাক পায়নবা থৌরাং তৌরি।

অমরোমদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ২১ দা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনসু কর্নাটকাদা অমুক হন্না লৈঙাক পায়নবা হোৎনরি। বি এস য়েদিয়ুরপ্পাবু পার্টি অসিগী চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। দেবেগৌদানা লূচিংবা জনতা দল (সিক্যুলর)সু ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়বা ঙম্নবা অকনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা কোংগ্রেসনা সীট ১২২ ফংবা ঙমখিবনি।

চৈরকসিদা, চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরনা হায়খ্রে মদুদি মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌখ্রবসু য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না কাভেরি ৱাটর মেনেজমেন্ট বোর্দ শেম্নবা থৌরাং লৌখৎপদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈরোই। অদুম ওইনমক সেন্টরনা কর্নাটকাগী ভোটরশিংদা ইথিল পীবা য়াবা ৱাফম অমত্তা লাউথোকপা য়াররোই।

# সেন্টরনা এনিমি প্রোপর্টিশিং য়োন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৭ (এজেন্সি):
সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা এনিমি প্রোপর্টি ৯,৪০০ য়োন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়নননা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা হীরম অসিগা মরী লৈনবা গাইদলাইন ইস্যু তৌনবা খঙহনখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ডিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা ডিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা লূচিংবা ভেল্যুএসন কম্মিটি শেমখিবগা লোয়নননা এদিসনেল সেক্রেটরিনা লূচিংবা ইন্টর মিনিষ্ট্রিএল ডিসপোজেল কম্মিটি শেমখি। অকক্লবা মতমগী মনুংদা এনিমি প্রোপর্টি পূম্নমক য়োম্ব্লোক্তুনা গভর্নমেন্টতা লুপা ক্রোর লাখ অমরোম লাকহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি।

হন্দক্তা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা এনিমি প্রোপর্টি (এমেন্দমেন্ট এন্দ ভেলিদেসন) এক্ট ২০১৭ অমসুং এনিমি প্রোপর্টি (এমেন্দমেন্ট) রুলস, ২০১৮ এমেন্দ তৌখিবগা লোয়নননা অরানবা থবক তৌরম্লগা লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মীওইশিংগী লন-থুম লৌশিন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

এনিমি প্রোপর্টি হায়বসি ইন্দিয়া থাদোক্তুনা পাকিষ্টান অমদি চাইনাগী সিটিজন ওইখ্রবা মীওইশিংনা থম্লম্বা লন-থুমশিং অদুনি। মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক পাকিষ্টানি ওইখ্রবা মীওইশিংনা থম্লম্বা প্রোপর্টি ৯,২৮০ অমসুং চাইনিজ ওইখ্রবশিংনা থম্লম্বা প্রোপর্টি ১২৬ লৈরি।

# ‘ইন্দিয়ন মিলিয়ন ১৫ রোম মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরি’



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৭ (এজেন্সি):
মালেমগী ওইনা য়েংনবদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিংনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা হেল্লি হায়না য়ু এন পোপ্যুলেসন ডিভিজনগী রিপোর্ট অমনা ফোঙ-দোকখ্রে। ইন্টরনেসনল ইম্মিগ্রেসন দেটাগী মতুং ইন্না পোক্লফম লমদম থাদোক্তুনা মপান লৈবাক্তা লৈবা মীওইশিংগী মরক্তা ইন্দিয়নশিংনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা হেল্লি। মেক্সিকান, রসিয়ন অমসুং চাইনিজনা মথংশিংনা অনীশুবা, অহুমশুবা অমসুং মরিশুবদা লৈরি।

ইন্দিয়া মচা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৈরিবা লৈবাক্তি পাকিষ্টাননি। কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা মীওই খ্বাইদগী মশিং য়াম্না থুংলখিবা লৈবাক্তি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকানি। চহী অদুদা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই মিলিয়ন ৪৬.৬ য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থুংলখি।

নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা রেফ্যুজীশিংগী মনুংদা মীওই চাদা ৫১ মশাগী চহী ১৮ শুদ্রিবা নহারোলশিংনি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিং ঙাকপী শেনবীনবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱেষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অহুমদা চৎতুনা ইজরেল অমদি পেলেষ্টাইনগা অফবা মরী থম্নবা থৌরাং লৌখৎখি। হান্নদগী হৌনা পেলেষ্টাইনগা অফবা মরী থম্নদুনা লাক্লবসু ইন্দিয়ানা ইজরেলগা নকশিন্নবা ঙমদনা লাকখি। হন্দক্কী খোঙচৎ অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া অমদি ইজরেলগী মরক্তা থম্নবা মরীদা অনৌবা মায়ওন অমা পুরকপা ঙমখি।

# য়ু পি এসেমব্লিনা এন্টি-ওর্গনাইজ ক্রাইম বিল পাস তৌখ্রে

*লক্ষনৌ, মার্চ ২৭ (এজেন্সি):*
*উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথকী মায় পাকপা থৌওং অমনি হায়না লৌবা য়াবা মওংদা ষ্টেট অসিগী বিধান সভানা ঙসি য়ু পি কন্ট্রোল ওফ ওর্গনাইজ ক্রাইম (এক্ট) বিল পাস তৌখ্রে।*

*মহারাষ্ট্র অমসুং কর্নাটকাগী মথংদা এন্টি-ওর্গনাইজ এক্ট চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা উত্তর প্রদেশনা অহুমশুবা ষ্টেটনি। য়ু পি পুলিসনা তমথীবা ক্রিমিনেল কয়া ফাবা অমসুং হাৎপগী থৌরাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা এসেমব্লিনা বিল অসি পাস তৌবা ঙমখিবনি।*

*য়োগি অদিত্যনাথনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা পুলিসনা ক্রিমিনেল ৪৫ হাৎখিবগা লোয়নননা ৩,১০০ ফাবা ঙমখ্রে। মথৌ পাঙথোক্লবা হোৎনবদা পুলিস পর্সনেল ৪ সু লৈখিদ্রে।*

*য়ু পি লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা এন্টি-ওর্গনাইজ ক্রাইম বিল পাস তৌবা হন্দক্লা অনীরকশুবনি। মমাঙ চহীগী ডিসেম্বর ২১ দসু বিধান সভানা বিল অসি পাস তৌবা লৈখ্রবনি। মতম অদুদা বিধান পরিষদকী অয়াবা লৌনবা হোৎনবদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না মাইনোরিটি ওইবা মরম্না বিল অদু অপ্পর হাউসনা রিজেক্ট তৌখি। মেম্বর ৪০৩ লৈবা য়ু পি লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা বি জে পিগী মেম্বর ৩২৪ লৈবা তারবসু মেম্বর ১০০ লৈবা য়ু পি বিধান পরিষদতদি বি জে পিগী মেম্বর শুপ্নগী ১৩ খক্তনি। বিধান পরিষদতা সমাজৱাদি পার্টিগী মেম্বর ৬১, বহুজন সমাজ পার্টিগী ৯ অমসুং কোংগ্রেসকী মেম্বর ২ লৈরি।*

*এসেমব্লি মীফমগী অরোইবা নুমিৎতা বিল অসি পুখৎলকখিবা মতমদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা বিল পাস তৌবা য়াররোই হায়না ফোঙদোক্লরকখি। ওপোজিসনগী মেম্বর পূম্নমক হাউসতগী মপান থোকখ্রবা মতুংদা বিল অদু ভোইস ভোটতা পাস তৌখি।*

*য়ু পি এসেমব্লিগী স্পীকর ঐচ এন দিক্সিটনা হায়খি, বিধান পরিষদনা এমেন্দমেন্ট তৌবগী ৱাফম খঙহল্লকপা তৌদনা রিজেক্ট তৌখিবা মরম্না বিল অসি অমুক হন্না খন্নবগী মথৌ তাদ্রে। মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা হায়খি উত্তর প্রদেশকুম্বা অচৌবা ষ্টেট অমদা ওর্গনাইজ ক্রাইম থিংনবগী মতিক চাবা লো শেম্বা মথৌ তাই। ক্রাইম লাকশিন্নবা হোৎনবদা য়ু পি পুলিসনা লৌরিবা থৌদাং শীংথারদুনা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট পুলিসনা ক্রিমিনেল কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়নননা মশিং য়াম্লবা খূৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙল্লে।*

*সাইবর ক্রাইমগী কেস মশিং হেনগৎলকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হরিম অসিগা মরী লৈননা য়ু পিদা মতিক চাবা লো অমা চৎনহনবা মথৌ তাই। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াগা থংননা লৈরিবা য়ু পিনা নেপালগী য়ুম্লোন্নবা মরম্না ক্রিমিনেল শিং লাকশিন্নবগী মতিক চাবা লো চৎনহনবা মথৌ তাই।*

*হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী সিভিক ইলেক্সনদা বি জে পিনা য়াম্না চাওবা মওংদা মায় পাকপা ঙমখ্রবা মতুংদা য়োগি অদিত্যনাথনা লূচিংবা গভর্নমেন্টনা ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহন্নবা অনৌবা থৌশিল ১২ শেম্লগনি হায়না লাউথোকখি। হৌজিক ফাওবদা অদিত্যনাথকী লৈঙাক্না ইন্দষ্ট্রিএল, ফূদ প্রোসেসিং অমসুং সিভিল এভিএসন ইন্দষ্ট্রিগী অনৌবা থৌশিল কয়া লাউথোকখ্রবনি।*

*ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লক্ষনৌদা ফেব্রুৱারি ২১ অমসুং ২২ দা গ্লোবেল ইনভেষ্টর্স সম্মিট পাঙথোকখি। সিভিক ইলেক্সনদা অপূনবা মেয়রগী ফম ১৬ কী মনুংদা বি জে পিনা ১৪ পায়বা ঙমখ্রবা মতুংদা ষ্টেট লৈঙাক্না ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহন্নবা থৌরাং কয়া লেপ্তুনা লৌখৎলকখিবনি।*

# ‘আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লোই’

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৭ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা স্পেসল ষ্টেটস পীরিবা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লৈতে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম হন্সরাজ গঙ্গারাম আহিরনা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে। বি জে পিগী লোক সভা মেম্বর অস্বিনি কুমারনা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নাদানা নাইজিরিয়াদা পাইরেটশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লিবা ইন্দিয়ন অহুম অথুবা মতমদা থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎ-কদবনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজদা তকশিনখ্রে। হিমাচল প্রদেশতগী মর্চেন্ট নেভি অহুম নাইজিরিয়াদা পাইরেটশিংনা ফাজিনখিবগী মতাংদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নাদানা মমাঙদসু হীরম অসিগা মরী লৈননা সুস্মা স্বরাজদা অইবা চেরোল থাদুনা হায়জবা লৈখ্রবনি। রাজ্য সভাগী মীফম এদজোর্ন তৌখ্রবসু ওপোজিসনগী মেম্বরশিং পুংখায় অমরোম হাউসতা ফমদুনা লৈখি।

MSPDCL

**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**
(Regd. Office : 3rd Floor, New Directorate Building, near 2nd MR Gate
Imphal – Dimapur Road, Imphal, Manipur)
CIN: U40101MN2013SGC008843

জে ঈ আর সী এম এন্দ এমনা ইস্যু তৌবা ০১.০৪.২০১৮ দগী চৎনবা হৌগদবা মণিপুর ষ্টেট পাৱর ডিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি ডি সী এল) গী শেনবা চহী ২০১৮-১৯ গী টারিফ সেদ্যুলগী সম্মরি

| সে নং. | কেটিগরি অমসুং কঞ্জুমসন স্লেব | থাগী ফিক্স চার্জশিং (লুপা) | ভেরিএবল চার্জশিং (লুপা/কে দব্লিয়ু ঐচ) |
|---|---|---|---|
| | এল টি সপ্লাই | | |
| ১ | কুটির জ্যোতি | | |
| | য়ুনিট খুদিংমক (কে দব্লিয়ু ঐচ ৪৫ ফাওবা/থা ৩) | ২০/কনেক্সন | ১.৭০ |
| ২ | ডোমেষ্টিক | | |
| | (i) অহানবা - কে দব্লিয়ু ঐচ ১০০/থা | ৬০/কে দব্লিয়ু | ৩.৬০ |
| | (ii) মথংগী কে দব্লিয়ু ঐচ ১০০/থা | ৬০/কে দব্লিয়ু | ৪.৩৫ |
| | (iii) কে দব্লিয়ু ঐচ ২০০ গী মথক/থা | ৬০/কে দব্লিয়ু | ৫.৬০ |
| ৩ | নন-ডোমেষ্টিক/কম্মর্সিএল | | |
| | (i) অহানবা - কে দব্লিয়ু ঐচ ১০০/থা | ৮০/কে দব্লিয়ু | ৫.০০ |
| | (ii) মথংগী কে দব্লিয়ু ঐচ ১০০/থা | ৮০/কে দব্লিয়ু | ৬.০০ |
| | (iii) কে দব্লিয়ু ঐচ ২০০ গী মথক/থা | ৮০/কে দব্লিয়ু | ৭.১০ |
| ৪ | পব্লিক লাইটিং | ৬৫/কে দব্লিয়ু | ৬.৫০ |
| ৫ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০/কে দব্লিয়ু | ৬.৭০ |
| ৬ | ইরিগেসন অমসুং এগ্রিকলচর | ৬০/কে দব্লিয়ু | ৩.৫০ |
| ৭ | ইন্দষ্ট্রি মচা | ৬৫/কে দব্লিয়ু | ৩.৭৫ |
| | ঐচ টি সপ্লাই | | |
| ১ | কম্মর্সিএল | ১০০/কে ভি এ | ৭.০০ |
| ২ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০/কে ভি এ | ৬.১০ |
| ৩ | ইরিগেসন অমসুং এগ্রিকলচর | ১০০/কে ভি এ | ৩.৩০ |
| ৪ | ময়াই ওইরপকী ইন্দষ্ট্রি | ১০০/কে ভি এ | ৪.৯০ |
| ৫ | অচৌবা ইন্দষ্ট্রি | ১০০/কে ভি এ | ৬.১০ |
| ৬ | অচৌবা সপ্লাই | ১০০/কে ভি এ | ৫.৪০ |

খঙজিনগদবা : মথক্কী টেবল অসিদা ফিক্স অমদি ইনর্জি চার্জশিংতমক উৎলি। শেনবা চহী ২০১৮-১৯ গী অকুপ্পা টারিফ সেদ্যুলগীদমক www.mspdcl.com দা ভিজিট তৌবীয়ু

টি ঐচ অতোন সিংহ
ইগজেক্যুটিভ ডিরেক্টর - কম্মর্সিএল এম এস পি ডি সী এল

HL-B/4548/27-31

ADMISSIONS GOING ON
**SPECIAL ONLINE MOCK TEST SERIES**
FOR BANK PO , CLERICAL, SSC AND OTHER ONLINE COMPETITIVE EXAMS
starting on 15th Mar 2018 timing: 9:00 am

NEW BATCH
**BANK & SSC EXAMS**
Starting on 15th Mar 2018
Special Features:
- WED (offline) , SAT (online) MOCK TEST (BANK/SSC)
- Daily Joint class test for alternate section
- Fee relaxation for SC/ST student

**AHELBA ACADEMY**
of Competitive Examinations (AACE)
AA Education EMPOWERING YOUTHS
Keisampat Junction
Opp. CCpur Bus Parking
8794341383 9383071303

HL-B/4323/10/3-8/4(Alt.)

**/YOGA PROFESSIONALS LEVEL-1 EXAMINATION**
**BY QUALITY COUNCIL OF INDIA (QCI)**

Under the guidline of Quality Council of India, the 2nd Batch QCI-Level 1 (Instructor Course) Examination will be held on coming June 2018. So willing candidates are requested to turn-up and get the forms.

1. Application form - ₹100/-
2. Date of issue - 28/03/2018
3. Last date of form submission - 07/04/2018
4. Office hour 10.00 a.m. to 4.00 p.m. daily
5. Examination centre - Imphal
6. ***For more details, please contact* Para Vidya Yog Aashram, Mantripukhri,** Kontha Ahallup, Imphal
7. **Contact no. : ☎ 7005287500, ☎ 7005103242 ☎ 7005504736 ☎ 9862491828 ☎ 7005013235**
8. Limited seats available.

***Sd/-* Th. Somananda Singh**
*Publicity Secy.* **PVYS, Manipur Unit**
HL-P/873/28


JOB EMPLOYMENT NEWS
Job for - *CABIN CREW
*AIR TICKETING
* GROUND HANDLING DEPT.,
* GUEST RELATIONSHIP EXE
* RESERVATION EXECUTIVE,
* SUPERVISOR AND CSA
AGE LIMITED: 18 TO 30 Y.
BASIC SALARY: Rs 12,000/- TO 68,000.
APPLY MALE AND FEMALE BOTH .
EXTRA BENEFIT: EXTRA PAY FOR OVERTIME.
Airlines Jobs 2018
10th, 12th, Graduate
ALLOWANCE: PICK AND DROP FACILITY, PROVIDENT FUND, ESIC, ACCOMMODATION, O.T. FACILITY, UNIFORM, FOODING & LODGING

BANK JOBS 2017-18, BANK RECRUITMENT (12 VACANCIES OPENING)
Name of the Post – Office Attendant , Head, Managers, Executive & Specialists
For Freshers- Graduates, 12th Pass, Location- Imphal
Pay Scale: Selected Candidates will draw a starting basic pay of ₹ 20940/- per month

Offline Mobile Sms Job Without Investment
Students,Housewife, Freshers ,Employed..Every One Can Apply.
Monthly Fix salary of Rs-7500 to 12,200. Qua :- VIII-Graduation

International job in Dubai.
Job in :- Finance, Management, Sales & Marketing, Healthcare, Administration.
Age :- Min18 to Mix 42 Years Qua :- X to Any Graduate or Diploma H
Salary :- Min-Rs- 65,000 with Accommodation.

Job in Office Staff in Imphal,Manipur
Post:- 1. Field Staff / Field Executive - Min Qua- 10th Pass Salary- Rs-9,800 Starting/M
2. Front Reception / Asst-Accountant. Min Qua- XII Pass , Salary-Rs 13200 +inc

URGENT FRESHER MERCHANT NAVY JOB OFFERS
Post :- Seaman , G.P.Rating, Deck Cadet & Marine Technician. Age- 17 Years to 29 years.
No Placement fees or Placement Charges
Qua - 8th pass /10th / 12th / Graduate or ITIPass.
SALARY RS:-45,500 TO 85,000 MONTHLY

For more detail contact us at :- 8974975286
Or Visit at Leima Job Guideline Service,Kwakeithal Bazar,Imphal

HL-B/4484/8Feb-11Apl.

**/TRAIN YOUR CHILD BRAIN MID BRAIN ACTIVATION COURSES**
*(A life time gift to your child)*



জপানগী টেক্নোলোজি অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/ Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়নননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। অদোমগী অঙাংগী Brain Sharp ওইহনবদা 100% Guarranty পীরিবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ নৎত্রগা Sunday নুমিৎতা Manipur Press Club তা লাকপীদুনা ঐখোয়গা উন্নবীয়ু।

*Please contact:* **Narajit Moirangthem,** Mid Brain Master
Secure Genius Kids, Imphal Branch
100% Guarranty
☎ **9862287481 / 8787562714**
HL-P/883/28

**/খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, অমাঙথোং মনুংদা য়াম্না চিকপা শাবদা খাংফম খংদবা, খোঙ হাম্বদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মসলশিং চিকপা নাবা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু মপোকসিমগী কাউঙম্লরোই**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, অমাঙথোং মনুংদা য়াম্না চিকপা শাবদা খাঙফম খঙদবা, খোঙ হাম্বদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মসলশিং চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎলকপদা কপ্লাক মরি নাবা অমদি কোক ঙাওবা, পুক নুংশিৎ কারগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, পুক কংখৎলগা নাবা, খোঙ হাম্বদা হমেং মথিগুম্না অকনবা ওইনা হাম্বা, হকচাং চোকথবা, শুনিং চৎনিংবা পোক্তবা, তন্থরগতা লৈবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 তা চৎতুনা লায়েংজরগা ওজাগী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা পুম্নমক ফদুনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

*থাগৎচরিবী:* **A. MALEMNGANBI**
*Khurai*
HL-P/786/28

**BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT IMPHAL**

**AFFIDAVIT**

**I, Leivon Damkhupreng**, father of **Leivon Thangsutlen**, a permanent resident of Nungthang Tampak, Churachandpur District at present residing at National Game Village, P.O. & P.S. Lamphel, District Imphal West, Manipur, do hereby take Oath and solemnly affirm as follows:-

1. That, I am a law abiding citizen of India having a permanent resident at the above mentioned place. This is true to the best of my knowledge.
2. That, I am the natural father of **Leivon Thangsutlen** who is now studying in Class I-C bearing Roll No. 42 at K.V. No. 1, Lamphelpat, Imphal. This is true to the best of my knowledge.
3. That, due to bonafide mistake at the time of school admission of my said son, his name was wrongly recorded as "**Mr. L. Owen Thangsutlen**" instead of "**Leivon Thangsutlen**". This is true to the best of my knowledge.
4. That, I would like to rectify my son's name as **Leivon Thangsutlen** in all his school records so as to avoid any complicaty in future. This is true to the best of my knowledge.

Verified that the contents of the above para No. 1 to 4 of this affidavit are all true to the best of my knowledge and nothing contained therein is fales.

*Dated/Imphal*
The 27th December, 2017
**By: Advocate**

*Signature of Deponent*
**Leivon Damkhupreng**

HL-P/881/28